

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, MAY 01, 2018 PAGE 7



*লা লীগা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা বার্সেলোনা ক্লবনা দিপোর্টিভো লা কোরুনাগা শান্নবদা হেটট্রিক ফংখিবা আর্জেন্টিনা মচা টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোই ওইরিবা লিওনেল মেসি*

*পোর্সে ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মতুং জেক রিপব্লিকতা চথরিবা প্রাগ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়াররোই হায়না ফোঙদোকখিবী জেক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা*

## লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা মেডল ফংলকপা শান্নরোইশিংগা উন্নখ্রে



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৩০ঃ*

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মেডল ফংহৌদ্রবা ইন্দিয়াগী থৱায় য়াওনা মখোয়-মখোয়গী দিসিপ্লিন অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং অদুবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা মহাক্না মেডল ফংলকপা শান্নরোইশিংগা উন্নখিবা অদুদা ফোঙদোকখিবা ৱারোলদা শান্নবগী লমদা লৈবাক অসিগী শান্নরোই অমনা তোঙান-তোঙানবা ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা কম্পিটিসনদা মকোক ওইবা মতমদা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরালনা মমাঙ থাবগী ফজবা অদু ফোঙদোকখি।

মহাক্কী ৱারোল অদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা শান্নরোইশিংদা অনৌবা থৌনা অমা শুংশোয় শোয়দনা পীরগনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱারোল অদুগী মখা তারকপদা শান্নরোই অমগী মিংচৎ অসি চহী কয়া নীংশিদুনা লৈগনি। মহাক্না খুদম পীখিবদা মণিপুরদগী হৌখিবী নুপীগী বোক্সর এমসি মেরি কোমনা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইন-ওইনা গোল্ড মেডল ফংলকখিবনি।

মোডিগী ৱারোল অদুদা মশামক শান্নরোই অমা ওইরল্লবা মতুং কোচগী থৌদাং লৌদুনা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোইশিংবু অনৌবা অৱাংবা থাক্তা পুরকপা ঙল্লকল্লিবা অসিগী কোচ পুলেলা গোপিচান্দগী মমিংসু পনখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা ইন্দিয়াগী টিম্না পুন্না গোল্ড মেডল ২৬, সিলভর ২০ অমদি ব্রোঞ্জ ২০ লৌদুনা অপুনবা মেডল ৬৬ ফংদুনা গেমস অদুগী মেডল টেলিগী পরিংদা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইংলেন্দগী মতুংদা অহুমশুবা পোজিসন ফংখিবনি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মায়কৈদগী গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অদুদা অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙম্বা শান্নরোইশিংসু য়াওখি।

পনবা য়াবদি কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অদুদা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড মেডল ফংখিবা শান্নরোই অদু মণিপুরদগী হৌখিবী ৱেঠলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুনি। মহাক্না গোল্ড লৌবদা নত্তনা কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা গেমস অদুগী অনৌবা রেকোর্দ ৩ থুগাইবা ঙমখি।

দিসিপ্লিন অসিমক্তদা মণিপুরগী খুমুকচম সঞ্জিতা চনুসু কেজি ৫৩ গী স্নেটচতা রেকোর্দ থম্লগা গোল্ড মেডল লৌখি।

ইন্দিয়াগী এঠলিট মালেমগী জুনিয়রগী ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবা নুপাগী জেবলিন থ্রোদা নিরজ চোপ্রানা মিটর ৮৬.৪৮ লংদুনা গেমস অসিগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙম্বগা লোয়নননা গোল্ড মেডলসু ফংবা ঙমখিবনি।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা রাজ্যভর্দন রাথোরনা ফোঙদোরকপদা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ফংলকপা শান্নরোইশিংদা মথংশিংনা লুপা লাখ ৩০, লাখ ২০ অমসুং লাখ ১০ মনা পীখ্রবনি। হিরম অসিদা করিগুম্বা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ফেদরেসন অমদি স্পোর্টসকী থাক্তা লৈরিবা এসোসিয়েসনশিংনা মখোয়না ফংফম থোকপা শেনফম অদু ফংদ্রবদি চেন্নবা ওফিসিয়েল পূম্নমক থবক্তগী লৌথোক্কনি হায়রি।

## মালেসিয়াগী টিম্বু মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়াগী নুপাগী জুনিয়র হোক্কি টিম য়ুঠ ওলিম্পিক গেমস য়াওবগী তাঞ্জা অমা পীরি, নুপীগী টিম চাইনাগী মখূত্তা ১-৪ দা মায়থিহৌরে

*বেঙ্কোক, এপ্রিল ৩০ঃ*

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা পাঙথোকপা হোক্কি দিসিপ্লিনগী য়ুঠ ওলিম্পিক গেমস ক্বালিফায়রগী মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু পেনাল্টি সুট আওটতা মায়থিবা পীদুনা য়ুঠ ওলিম্পিকক্স শরুক য়াবগী তাঞ্জা অমা পীরি। ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কি টিম চাইনাগী মখূত্তা পাঞ্জল ১-৪ দা মায়থিহৌরে।

ইন্দিয়া অমসুং মালেসিয়ানা শান্নখিবা য়ুঠ ওলিম্পিকক্স হোক্কি ক্বালিফয়িং টুর্নামেন্ট অদুগী মেটচকী অহানবা ক্বার্টরদা মালেসিয়াগী মায়কৈদগী মোহমদ অনৱারনা ১১শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না মাঙজিল থাখি। অদুবু মিনট অমগী মনুংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রাহুল কুমার রাজভারনা ১২শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু মান্নদুনা লাকখি।

শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কেপ্টেন ভিবেক সাগর প্রসাদনা মালেসিয়াগী দিফেন্দরশিং নাথৈদুনা য়ৈশিনখিবা সোট অমা পাঞ্জল ওইখিবদগী মালেসিয়াবু মখোয়না ২-১ দা মাঙজিল থাখি।

য়াম্না ফজবা মওংদা পাঞ্জল অমা শোত্থখিবা অদু মালেসিয়াগী শান্নরোই মোহমদ মোহরামনা ১৫শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর অদু গোল য়াম্না চন্নবা ক্বার্টর অমা ওইখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহেনবা এটেক মরী-মরী চত্থরকখি। ১৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা প্রসাদনা পাঞ্জল অমা অদুগা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রাহুল কুমার রাজভরনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৪-২ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেল চুম্না শেম্বা ঙমখি।

মালেসিয়াগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী মখূত্তা পাঞ্জল অনী শোত্থদুনা লৈখিবা অদু ২৬শুবা অমদি ৩০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চন্দুনা ইন্দিয়ানা হেল্লম্বা পাঞ্জল অদুগা মান্নরগা ৪-৪ দা লৈখি।

মেটচ অদুগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী পেনাল্টি সুট আওট তৌনবদা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা মালেসিয়াবু ২-১ দা হেন্দুনা য়ুঠ ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং মেটচ অদু মায় পাকখি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়ানা চাইনাগা লম্বা তৌনবদা শান্নবগী ৩শুবা অমদি ৪শুবা মিনটতা চাইনাগী শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগী টিম অদুগী মথক্তা অহানবা ক্বার্টর লোইদ্রিঙৈদা পাঞ্জল মরি চনবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ৩শুবা অমদি ৪শুবা মিনটতা চাইনাগী শান্নরোই লিয়ু চেনচেননা পাঞ্জল ২ চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোই জৌ মৈরোংনা ৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং ইকান কান্নদনা টিম অদুগী শান্নরোই মা নিংনা ৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা অহানবা ক্বার্টর অদুদা ইন্দিয়াবু চাইনানা পাঞ্জল ৪-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা ক্বার্টর হৌরকপগী অহানবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই চেটনানা ১৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা শোত্থখিবা পাঞ্জল ৪ গী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী টিম চাইনানা পাঞ্জল ৪-১ দা হেন্দুনা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৩০ শান্নরকপা অদুদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱুমেন্স হোক্কি টিম অদুনা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়াগী টিম চাইনাগী মখূত্তা পাঞ্জল ১-৪ দা মায়থিবা নংখি।

## ২০১৮ এসিয়ান গেমসতা কোরিয়া লৈবাক ২ পুনশিল্লগা দিসিপ্লিন ৭তা শরুক য়াগদৌরি

*সিওল, এপ্রিল ৩০ঃ*

চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ১৮ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা ইন্দানেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অনীগী সিটি অনীদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসতা মতম কুইরবগী মতুংদা সাউথ কোরিয়া অমসুং নোর্থ কোরিয়া লৈবাক অনীগী অপুনবা টিমগী মায়কৈদগী দিসিপ্লিন ৭ তা শরুক য়াগনি হায়না সিওলগী ওফিসিয়েল ওইবা ৱারোলনা ফোঙদোরল্লি।

নীংশিংবা য়াবদি হন্দক্তা সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা পিওংচাং ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসতা নোর্থ অমসুং সাউথ কোরিয়া অনীগী অপুনবা টিম্না শরুক য়াখি।



সাউথ কোরিয়াগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না লৈবাক অদুগী স্পোর্টস এসোসিয়েসন ৭ না নোর্থ কোরিয়াগী এসোসিয়েসনশিংগা পুল্লগা ইন্দানেসিয়াগী এসিয়ান গেমস অদুদা শরুক য়াগনি হায়রি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উন অমসুং সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে ইননা চহী কয়াগী মতুংদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রবা মতুংদা এসিয়ান গেমসতা লৈবাক অনীগী শান্নরোইশিংনা অপুনবা কোরিয়াগী টিম অমা শেম্লগা শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোরকপনি।

এসিয়ান গেমসতা নত্তনা তোঙান-তোঙানবা ইন্টরনেসনেল স্পোর্টস ইভেন্টশিংদসু লৈবাক অনীগী অপুনবা টিম শরুক য়ানবগী খোঙথাংসু শেমখি।

বাস্কেটবোল, জুদো, কেনোই, জিমনাষ্টিক্স, টেবল টেন্নিস, রোয়িং অমসুং সোফ টেন্নিসতা লৈবাক অনীগী শান্নরোইশিংনা অপুনবা টিম অমগী মখাদা ইন্টরনেসনেল ইভেন্টশিংদা শরুক য়াগদৌরি। অদুবু ফুটবোলদদি তোঙান-তোঙানগদৌরি।

## লিওনেল মেসিগী হেটট্রিক্কী পাঞ্জলনা দিপোর্টিভো লা কোরুনাবু ৪-২ দা মায়থিবা পীদুনা বার্সেলোনা লা লীগা ফুটবোলগী ২৫শুবা টাইটল লৌখ্রে

*মাদ্রিদ, এপ্রিল ৩০ঃ*

লিওনেল মেসিগী হেটট্রিক্কী পাঞ্জলনা দিপোর্টিভো লা কোরুনাবু পাঞ্জল ৪-২ দা মায়থিবা পীদুনা বার্সেলোনা স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ২৫রকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।



*লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ২৫রকশুবা টাইটল লৌখ্রবা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা টেবলগী মকোক ওইরিবা বার্সেলোনা পুন্না মেটচ ৩৪ শান্নখিবদা পোইন্ট ৮৬ ফংদুনা মখোয়বু খ্বাইদগী নক্কনা তান্নরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদতগী মেটচ মশীং অমা হল্পনা শান্নরগা পোইন্ট ১১ হেন্দুনা লৈখিবদগী মখোয়গী লেমহৌবা মেটচ ২ মায় পাকপা তারবসু বার্সেলোনাদগী পোইন্ট হেনবগী আশা লৈতবা মরম্না বার্সেলোনানা লালীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ২৫রকশুবা টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

বার্সেলোনা অমসুং দিপোর্টিভো লা কোরুনানা শান্নখিবা ৩৪শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ হৌরকপদা বার্সেলোনানা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি।

শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই ফিলিপ কোটিনোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনশিন্দুনা দিপোর্টিভো লা কোরুনাবু ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা লিওনেল মেসিনা মহাক্কী হেটট্রিক্কী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা দিপোর্টিভো লা কোরুনাবু ২-০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেসিগী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ২ লৈরগা দিপোর্টিভো লা কোরুনাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই লুকাস পেরেজনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লবা মতুং অহানবা হাল্ফকী শান্নবা অদু বার্সেলোনানা ২-১ দা মাঙজিল থারগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা দিপোর্টিভো লা কোরুনাগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ইমরে কোলাকনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ২-২ দা মান্নদুনা লৈখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং টিম অনীনা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা অমনা অমগী মায়োক্তা বোল পুশিন্দুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী এটেক অমদা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা লিওনেল মেসিনা মহাক্কী হেটট্রিক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা অমুক হন্না দিপোর্টিভো কোরুনাবু মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা শান্নবগী ৮৫শুবা মিনটতা চত্থরকখিবা এটেক অমদা লিওনেল মেসিনা মহাক্কী হেটট্রিক্কী পাঞ্জল অদু চন্দুনা দিপোর্টিভো লা কোরুনাবু ৪-২ দা হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং লেমহৌবা মিনট ৬ লোম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী বার্সেলোনানা দিপোর্টিভো লা কোরুনাবু পাঞ্জল ৪-২ দা মায়থিবা পীদুনা পুন্না পোইন্ট ৮৬ ফংদুনা টেবলগী মকোক ওইদুনা লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ২৫রকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফ্রান্সকী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লিগে ৱানগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লীগ অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগা গুইনগাম্পকা শান্নখিবা মেটচ অদুদা পাঞ্জল ২-২ দা দ্রো চংখি।

গুইনগাম্পকী টিম রাউন্দ ৩৫ শান্নবা লোইশিনখিবা অদুদা হান্না লৈরম্বা ১১শুবা পোজিসন অদুদগী হাইগৎপা ঙমদনা পোইন্ট ৪৬ ফংদুনা লৈরি।

ইটালিগী সেরি এ ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ৩৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লাজিও ফুটবোল ক্লবনা টোরিনোবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

লাজিওগী টিম মেটচ অসিগী মাঙওইননা মরিশুবা পোজিসনদা লৈরম্বা অদু মায় পাক্লগা পোইন্ট ৭০ য়ৌরবসু পোজিসন হাইগৎপা ঙমদনা লৈরি।

মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু লাজিওগী সর্গে মিলিনকোভিস সাবিকনা শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি। লাজিওনা মেটচ অদুগী ২৩শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু লুই অলবর্টোনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদবদগী পাঞ্জল মশীং হেল্লমগদবা অদু মাঙজখিবনি।

## ইন্দিয়াগী সরাথ কমালনা সিঙ্গলসকী মেটচ অনী মায় পাক্তুনা ৱার্ল্ড টিম টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ্তা পোলেন্দবু মেটচ ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে

*হাল্মষ্টাদ, এপ্রিল ৩০ঃ*

স্বিদেনগী সিটি হাল্মষ্টাদতা চত্থরিবা ৱার্ল্ড টিম টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা টাই অমদা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোই সরাথ কমালনা সিঙ্গলস মেটচ অনী মায় পাক্তুনা পোলেন্দবু মেটচ ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।



ইন্দিয়া অমসুং পোলেন্দনা শান্নখিবা নুপাগী গ্রুপ 'দি' গী টাই অদুগী অহানবা সিঙ্গলস মেটচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই হর্মিত দেসাইবু পোলেন্দগী জাকুব দিজাসনা ৮-১১, ১১-৭, ১০-১২, ১৩-১১, ৭-১১ দা মায়থিবা পীখি।

গ্রুপ অদুগী অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোই ওইরিবা সরাথ কমালনা পোলেন্দগী পাৱেল ফর্টিকোস্কিবু ৭-১১, ১২-১০, ১৪-১২, ৭-১১, ১১-৬ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ অমমম মান্নখি।

মখা তারকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই জি সাথিয়ান পোলেন্দগী মারেক বাদোস্কিগা লম্বা তৌনবদা গেম ১-৩ দা মায়থিবা নংখি। অহানবা গেম সাথিয়ানবু মারেকনা ১১-৬ তা থোইখি। অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অদুনা য়ামনা কন্না লম্বা পীখ্রবসু বাদোস্কিনা ১২-১০ দা থোইরগা গেম অনী মাঙজিল থারগা চংখি।

অহুমশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী জি সাথিয়াননা বাদোস্কিবু ১১-৭ দা থোইরবা মতুং মরিশুবা গেমদা বাদোস্কিনা য়াম্না নক্কবা লম্বাদা ইন্দিয়াগী সাথিয়ানবু ১১-৯ দা থোইদুনা মেটচ অদু পোলেন্দগী ওইদুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না মেটচ ২-১ দা মাঙজিল থাখি।

রিভর্স সিঙ্গলসকী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী সরাথ কমালনা পোলেন্দগী জাকুব দিজাসকা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম ৭-১১ দা মায়থিরবসু মখা তারকপা গেম ৩ সরাথনা ১১-৯, ১৩-১১, ২১-১৯ দা থোইদুনা লৈবাক অনীমক মেটচ ২-২ দা মান্নদুনা লৈখি।

ৱার্ল্ড টিম টেবল টেন্নিসকী নুপাগী গ্রুপ 'দি' গী চেম্পিয়ন্সিপ দিভিজনগী ইন্দিয়া অমসুং পোলেন্দগী লম্বাদা মেটচ ২ /২ মান্নরবা মতুং অরোইবা মেটচতা ইন্দিয়াগী হর্মিত দেসাইনা পোলেন্দগী ফর্টিকোস্কিবু ১১-৮, ১১-৭, ১১-১৩, ১৪-১২ দা থোইদুনা টাই অদু ইন্দিয়ানা ৩-২ দা মায় পাকখি।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম অসিনা ৱার্ল্ড টিম টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা টাইদা ফ্রান্সকা লম্বা তৌনবদা মায়থিবা নংখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী গ্রুপ 'এ' দা ইন্দিয়াগী টিম্না সিঙ্গাপোরগা লম্বা তৌনখিবা অহুমশুবা টাইদা মেটচ ০-৩ দা মায়থিবা নংখি।

ইন্দিয়া অমদি সিঙ্গাপোরনা শান্নখিবা টাই অদুগী অহানবা মেটচতা মাধুরিকা পাটকরবু সিঙ্গাপোরগী টিয়ানৱৈ ফেংনা ১২-১০, ১২-১০, ১১-৩ দা থোইখি।

অনীশুবা মেটচতা কম্মনৱেল্‌ঠকী নুপীগী চেম্পিয়ন ওইরিবী ইন্দিয়াগী মনিকা বত্র সিঙ্গাপোরগী মেঙ্গ্যু য়ুগা লম্বা তৌনবদা ১০-১২, ১১-৮, ১১-৮, ৫-১১, ৮-১১ দা অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং গেম ২-৩ দা মায়থিবা নংখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মোমা দাসনা সিঙ্গাপোরগা লম্বা তৌনবা টাই অদুগী অহুমশুবা মেটচ লম্বা তৌনবদা য়ি লিনগী মখূত্তা ৮-১১, ২-১১, ৫-১১ দা মায়থিখি।

## ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনা অমদি চাইনাগী গৌ সান্সান চাইনাগী দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামন্টকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌরে

*অন্নিং, এপ্রিল ৩০ঃ*

চাইনাগী সিটি অন্নিংদা চত্থরিবা য়ুএস দোলর ১২৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনা অমসুং চাইনাগী গৌ সান্সান মায়থিহৌরে।

ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী পেয়র অদুবু ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা স্লোভেনিয়াগী দালিলা জাকুপোভিস অমসুং রুশিয়াগী ইরিনা খ্রোমাচেভাগী মখুত্তা ৩-৬, ৩-৬ তা মায়থিহৌবনি।

অতোপ্পা পাও অমদা থাইলেন্দগী সিটি হুৱা হিনদা পাঙথোকপা নুপীগী ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসন টুর্নামেন্টকী দবলসকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সোজানিয়া বাভিসেতি অমসুং রামিয়া নাটারাজননা থাইলেন্দগী পেয়র টামাচান মোমকুনথোর অমসুং সানিকম সিলাকুলবু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সোজানিয়ানা থাইলেন্দগী পাটসারিনবু থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।